# নুপী শুমাঙ লীলাবু য়োকখৎপগী তঙাইফদবা লৈরি



মণিপুর শুমাঙ লীলা হায়বসিদা মীয়াম্না শক্ল–শোন্নরিবসি নুপা শুমাঙ লীলা কাঙলুপ্তবু ওইবনা নুপী শুমাঙ লীলা কাঙবুদি লৈরি হায়বা ফাওবা কাউনরক্লি। অদুবু শুমাঙ লীলাবু নুংশিজবী অমদি আর্টপু থৱায়নি হায়না খঞ্জবী শুমাঙ লীলাগী নুপী শুমাঙ লীলাবু হিংলি হায়বা উখোকচবগী খুদোংচাবা অসি মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমীনা শীন্দুনা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা শুমাঙ লীলা ফেষ্টিভেলদা নত্তনা লৈত্রে। মরম অদুনা নুপী শুমাঙ লীলা অসি চাউখৎহন্নিংবগী পান্দমদা নুপী শুমাঙ লীলাগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা থা অমা চুপ্পা পাঙথোক্লবা মতুং "নুরা ঙাঙোইলেম্বী" হায়বা লীলা উৎখ্রে।

সঙ্গিৎ নাতক একাদেমীগী মীৎয়েং মখাদা ৱেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা জনুৱারী ১৫ দগী ফেব্রুৱারী ১৫ ফাওবা থা অমা চুপ্পা ক্লাকৈথেল ঙানপ্পী থোং মপালদা লৈবা সোসিয়েল ৱেলফিয়র হোলদা চথখিবা নুপী শুমাঙ লীলাগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখি। হায়রিবা ৱার্কশোপ অদুগী ওইনা নৌনা পুথোকপা "নুরা ঙাঙোইলেম্বী" হায়বা লীলা অমা ৱেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিয়েসনগী লীলারোইশিংনা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শৈদাংলকখি। মোইরাংদা লৈবা মীয়াম্না মহাকপু খুমন লমজা ওইনা শকখঙনখি। লোয়ননা মোইরাংদা লৈবা ফম্নাইবা নোংথোম্বগী মমোমলোয় ঙাঙোইলেম্বীগা অপাম–নুংশি ইচেলদা পুন্না



## সুর মৈতৈ



চেন্থমিন্নরকখি। অদুবু মখোয় অনীগী নুংশি খোঙচৎতা খুরৌ থাং লক্লিবা নিঙোল্লাকপা পুরেম্বগী খুজিল থৌরাং শারৌদা খুমন লমজা ওইবা মহাক্নী থৱায় মাঙবা তারবদা ঙাঙোইলেম্বীগী মতারোই সনানুগী মতেংদগী য়োইময়াই কৈশুমশঙদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি। অদুগা শেনবী কবোশিংবু মীচঙ খোমদুনা খুমন অমদি মোইরাংদা লান্দারকখি। অদুবু নোংদম্বগী নোংদমখোল হায়বদুদি কনানা খঙলুবা ঙমগনি। মপুমাগী লীলাদা য়োইময়াই মপাগী মখুত্তা য়াইবী মাঙখি। মশাবী লৈত্রবদা পুন্সিগী পান্দম লোয়রে খঞ্জদুনা মথন্তা য়াইবী মাঙহনজখি।

লীলা অদু নুপী লীলা অমা ওইজরগসু ঐখোয়গী হৌরকফম খঙবা ৱাৎলবা ঙসিগী মীরোলশিংনা ৱাখল লৌশিং পীনবা হোৎনরি। অদুবু লাইবক থিবদি নুপী শুমাঙ লীলাবু য়েংবিনবা ভাবক মশীং ৱাৎপসিনা হোৎনজরিবশিংগী থম্মোয়দা পেন্দবা খরদি লৈরমগদ্রা খল্লি। লীলা অসিদা শত্তম লাংলিবশিংনা অসুক্কী মতিক থৱায় য়াওনা হোৎনবগী মচৎ অমখক অয়েংবশিংগী মীৎয়েংনা উবা ফংই।

লীলা অসিদা শক্তম লাংলিবীশিংদি য়োইময়াই (খুমন লমজা) গী শক্তমদা লাইশ্রম মোইরাং লৈমা চনু, মোংয়াংনহা তেন্সুবা গী শক্তমদা উসম ওংবী পুথেম সর্দা লৈমা, ক্লাকপা (খুমন নিংথৌগী মপারি) গী শক্তমদা অয়েকপম রনিতা দেবী, ঙাঙোইলেম্বা (মোইরাং নিংথৌ) গী শক্তমদা ক্ষেত্রিময়ুম ওংবী ইবেয়াইমা দেবী, নোংথোম্বা (মোইরাং ফম্নাইবা) গী শক্তমদা থোকচোম ভাবিনি দেবী, পেবেৎ (মনাই অমা) গী শক্তমদা লাইশ্রম থম্বাল দেবী, য়োইরেনবা (মোইরাং গী নিংঙোল্লাকপা) গী শক্তমদা কাঙুজম সঙ্গিতা দেবী, কবো লাম্মী গী শক্তমদা অমু দেবী, খোম্বাগী শক্তমদা অয়েকপম রনিতা দেবী, ঙাঙোইলেম্বীগী শক্তমদা মোইরাংথেম লোলিবালা দেবী অমদি সনানুগী শক্তমদা নিংঙোম্বম তোনে দানবী চনুনি।

হায়রিবা "নুরা ঙাঙোইলেম্বী" লীলা শঙলেন্দা থা অসিগী ৭ তা শাফোঙখ্রে।

অপাম্বা হায়বগা নুংশিবা হায়বগা অনীগী মরক্তা থোক্লি থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া ঙল্লিমৈঙে মতমদগীসু। অপাম–নুংশিংনা য়ুম্ফম ওইনা শান্নবা শা–লান্না মথেল ওইবা ঙল্লিমৈঙে মতম খুমন মোইরাংগী ৱারীনি। খুমন নিংথৌ মপারী ৱাঙ্গোন নিংথৌ ক্লাকপনা মতোন ইবুঙো মোংয়াংনহা তেন্সুবা অমদি মনাও য়োইময়াই নিংথৌববু নিংথৌ শেমগদৌরে হায়না মরাল শিদুনা য়াইবী থৱাই লৌগে তেমশিন্নবদা য়োইময়াই নিংথৌবা মোইরাংদা অসি নবদিপ নিংথৌজাগী স্ক্রিপ্তা থোকচোম ইঙেল্লে লৈমনা পুথোকপা অমদি ইবোয়াইমা খুমননা দিরেক্সন পীবা লীলানি।











Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*